“পুন্সি অসি নীংশিং নীংশিং তেংথাদুনা
লৈরবদি কদায়দগী হিংবা ঙমগনি।”
*- এম কে বিনোদিনী (ঙাইখো, হিংমিন্নখিসি)*

## য়াম্থৎপীখ্রবা ফিশাকোল
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

য়াওশঙগীদমক হৌরুবা ফিগোলনি
পূন্না ফিশিং তরামঙানি,
পোদোল মঙালদুদা
লংচাকসু চাল্লি
ফিসু শারি।
থাবলগী মঙালসু
ফিশাকোলগী অকোয়বা
পূন্নমক মমি শামি
থাবলগী মঙালনা লিৎশিল্লক্লি,
ফিগোন অদুদগী
ফিসু অমত্তা কক্ত্রি।
আশা কয়াগা লোয়ননা
অহিং মমৈ ফাওবা
ফিশা কোনশঙদা
ফি শারি।
আশাগী মঙালনদো
থাবলগী মঙালদা
মঙফাওনরকই,
আশাগী মঙালন পূম্বা
অমুবা লৈচিল কুপখ্রে।

## কনানা হেল্লি
**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

কালেন নুংশানা শাবরা
কোরোনাগী মৈশানা কনবরা
অনী তুনা খাঙবসিদি
লু কোকপদা লেন তাবগুল্লে;
ইঙাগী নোংজুনা কনগদ্রা
কোভিদকী পিরাংনা হেনগদ্রা
করিবু থোল্লগবা খল্লুবদা
পাইমা পূক্লিংসে লাংতক্লে;
লাইচৎকী অকিবনা লুবরা
চাকখাওগী মৈচাক্লা লুম্বরা
মতৌ অসিবুরা হায়নবদো
নূং অনীগী মরক্তা হা;
মহে তম্বা ফংদবগী চৈনাদগী
মহে তম্বীবা ফংদবগী চৈথেংনা হেল্লব্রা
ওনলাইন ক্লাসপুদি তৌজরবসু;
মনানা হৈমাং শাবদি য়াদেদো
মীরমদা লৈরিবা ইরৈচাশিংগীবু মিপাইগদ্রা
ইরমদা লৈরিবা মীরৈচাশিংগীবু ৱারুগদ্রা
খন্থরুরবদি মীগী মী অন্ধানি
ময়ূমদা হন্নীংদববু কনা লৈবগে?
য়ূমদা লৈরে লৈফম খঙনদ্রে
লমজাউদা থোক্লে মীহুন শুনদ্রে
পোইরৈ লমদম কৈদবু
চৎলগা ফংগনি পোথাবা;
অহিংবা মীনা শিবা ঙাইরি
অশিবা থৱায়না হিংবা ঙাইরি
শিবা চঙবগী লংদাইদা লৈরিবা ঐগীদি
করিবু তম্বীরিবা নোংদম্বা!
কনানা হেল্লিবা কনানা ৱাৎলিবা
অমনসু হেন্দে অমনসু তাদে
লুদা লুশিল্লক্লবদি
শবীরাইনা শবীরাই কল্লি হায়বদুনি।

## মে ১৭কী পাউজেল অমতং
**—থোকচোম রবিচন্দ্র**

উদবা লৈত্রে ঐনা য়েংগে য়েংলুরবদি
তাদবসু য়াওদ্রে তানীংলবদি ঐনা
খঙদবসু খুদক্তা খঙলে
ঐনবু খঙলগে খনখ্রগদি…
বিগ্যান অমদি শিনলোনগী চাওখৎপনা
চাওহল্লে মীওইবসে ঙসিদি
চাউনা চাউনা ঙাঙনরে
থোইচৎ ৱাংচৎনরে থোঙ্গান লান্দ্রবসু
উরবনিনা উহৈবা উহৈদবা খুদিংমক
কাইনগুমসি ধর্ম্ম কর্ম্মদি
নঙতনা খঙবসু শারকনু ঐসু মোবাইল পায়জরি
হাপ্লি ইন্টরনেট পেক, ঐহাকসু খঙজৈ
ঐতনা খঙবা নত্তে, ঙসি মালেমগী
টেলিকম্যুনিকেসন অমদি ইনফোর্মেসন
সোসাইটি নুমিৎনি, মালেম পূম্বনা খঙলিবনি
নীংশিংজবনি নুংশিজদুনা
নুমিৎসিনা লাকপদা নীংশিংমীন্নসি।
য়ামখ্রবা পাউচেগী কলম মরক্তা
ঐগীসু মফম মচামতং কঞ্জরি
তমনীংদুনা পাউদম অমত্তং-
টেলিকম্যুনিকেসনগী মতেংনা ফাওনসি
উনসি নঙ ঐ, উনদবসি তৌগুমসি হকথেংননা;
ঙাঙগনু ওইদবা খঙলরোই মতাগুম,
সেটিলাইটনা নোক্লমগনি নোংদোলদা
তূম্না তূম্না লম্বীদনি য়ৌরক্লনি
হায়বা ঙম্বা নঙবু উরগা।
মীকুপ অমা মাঙহনদ্রবা চক অসিদা
মিনট কয়া পুং কয়া নঙনা অরেম্বদা ফেসবুক্কী
ফেক একাউন্টতা শারি অরোনবা ৱারী কয়া
চাওখৎপগী হীদা তোংলগা চৎলি
চাওখৎতবগী ঈথৎ অমদা।
চৎনা চৎনা লাওরল্লি অরানবা পাউ কয়া
য়েল্লম্মী ওইদবা চেবাউ কয়া
খল্লুরমালে মশানা মশাবু জর্নেলিষ্ট ওইনা,
ঈ-পাউগীদমক ওইহনসি পাউমীশিং অদুমক পাউমী
ঙাইহসি অচুম্বা ঈ-পাউ, পাউমীসু নত্তবা নঙনা
শন্দোক্কনু অরানবা পাউ
ওইহনসি, অচুম্বা পাউতমক শন্দোক্লিবা খুন্নাই অমা
ঙসি ইনফোর্মেসন সোসাইটি নুমিৎসিদগী…
শীজিন্নসি মফম চানা
নুমিৎ অসিনা লাকপদা
ইকায়খুম্নসি ঈ-পাউগীমক
মপুন্সি কৎথোক্লশিংগী মফমদা।

## মহৌশা লাইরেম্বীগী তেংথাখোল
**—সপনা লাইশ্রম**

মহৌশা লাইরেম্বীগী তেংথাখোলনা নিল্লরে উমং-ৱামং
অকিবা তুজুংবনা মাঙ থাররে শা উচেক্কী পুন্সিদা
মখোয়গী মরুপ নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক
ঙসিদি উমং অসে মোংফম হায়বদো ওইররে
উপাল-ৱাপালনা খাংলি থাঙ ময়াগী চৈথেং
ইমানা তেংথাজরি উপাল অদুগী মখোঙদা
মরোল থোকচদ্রবা মখোয়গীদমক
উকংনি খনবিগনু তাইবঙপাল থৱায় পাল্লিবা ইচানি
লাম্মৈনা মৈৱাইরকপদা মৈচাক পীরি উমংগী শাশিংদা
মখোয়গী মীৎকী পিরাংবু মীরাইবীরিবা
মীৎ তাংলবা, না পংলবা তাইবঙ
পোম্বী চেক্লাশিংনা মৈরিলক্তা ওল্লগা চাকচরিবা
পূন্নমক উজরগা তেংথাজরিবা ইমানি
উশাদা খোংজরিবা চেক্লাগী নুংশিরবা খোঞ্জেলনা
নাওশুম ওইজরিবা ইমাগী থম্মোয়নি
ঙসিদি উমং ৱামংগী ফজবা
লোক্তগী চেন্থরকপা ঈশিং মখোল
পূক্লিং হুরবা মহৌশাগী ফজবা পূন্নমক তাখিদ্রে উখিদ্রে
ইমাগী ইমীৎসিনা উহৈদ্রবা ঙাক্তা উররে
ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা অতিয়াবু চৈথেং পীরি
ইমানা অখাক অরাওগা লোয়ননা
পিরাং শিন্থরি অতিয়াথক্তগী
ইমাগী মীৎকী পি মরিক-মরিক্লা থনখ্রে
পাৎ-তুরেল, ঈশিং ঈচাও পীরি
মীৎকী পিনা কংদ্রিখে অৱাবা ওইগনি তাইবঙসে
লৌশিং পুক্লেগী মপু ওইরিবা তাইবঙ মীওইবনা
মীৎ পাঙহৌদ্রবা, ইমানা লৈখিদবা থোল্লবা
তাইবঙসে মীৎ উইশিনখ্রবা অহিংগুম মমশিনখ্রনি।

## হনখ্রোবা কোভিদ-১৯
**—অমরজিৎ খাঙেম্বম**

নঙদি মীহাৎপীনি মীহাৎপী
মালেম শিনবা থুংখ্রে
থৱায় কয়া কয়া লৌখ্রে
অশিবগী খয়াত্তা চঙখ্রে
নঙসে অদুক ফৎত্রিবা কৈগীনো।
করি লাল্লুবগী করি হায়রুবগীনো
নঙোন্দা করিসু হায়জবা নত্তে
চুম্না হিংজবনি চুম্না চৎচবনি
করিগীনো নঙনা অদুক ফৎত্রিবা
মীয়ামসি লোইনা হাৎলগা পেল্লদ্রা?
নোইগী হৌরকফমদা লৈবীয়ু
করিগী মালেম শিনবা থুংলিবনো
ঐখোয় ৱারে নঙ উননি খনবদা
মপান থোক্ত্রে য়ূমদা লৈরে
কয়াম কুইননো অসুম্না লৈগদবা
হনখিবা ঙাইবদা ৱারেদা
কোরোনাভাইরস নঙসে।

## চৈনা অদুগী ৱাহং
**—লৈশাংথেম প্রিয়া**


থম্মোয়দা ফাউরকপা অৱাবা চৈনা
খাঙলিবনি খূদিংমক ইথন্তনা,
কপ্লিবনি ইদোম তূমিন্ উহন খঙহন্দনা
য়েংহনলরোই তাহল্লরোই খন্না কনাদসু
লৌনম্নি নমথাক্লি ওইদবনি
মমায় মমিৎ অনী লোঙবনি,
থম্মোয়দা অমা মায়থোংদা অমা
ঐগী অৱাবদা শরুক য়ারিবনি হায়দুনা
মপুং ফাদবা মীনোক নোক্তুনা
লেপ্পরি থোঙ্গান্দা নুংশিবগী।
ঐগী থম্মোয়দা ফাওরিবা অৱাবসে
মীনোক অদুনা পেলহনবা ঙল্লিব্রা
থাজসিগে করম্না মপূং ফাদবা মীনোক্তুদা?

## রামজান থাগী নুংঙোল ঈশৈ
**—তবানু খুরাইজম**

রামজান থা-ও নুংঙোনথা
লাইনীং শোন্না লৈবা থা
খুদা মাবু কশম থম
নুংশি পরৈ কিনখ্রবী
লাক্লো নঙবু নুংশিবী
ঐগী থৱায় ওইরিবী।
নুংশি লৈকোল চঙদুনা
নঙবু কোয়না থিরুবা
লৈরাংলক্তসু য়াওরমদে
শিঙেল্লক্তসু তীল্লমদে
নুংশি চেঙলৌ উনীংবনা
পূক্লিং ঐগী খোয়রাংলে
নঙবু কৈদা লোৎলিবগে
ঐগী থৱায় ওইরিবী।
তয়ান ঙম্বী চিনবানগী
নুংজেল নপাউ তানীংলে
রামজান ইদুল ফিটরসু
ঙম্না লোইনা হৌখ্রনি
লাক্লনি অমুক ইদুল জুহা
নঙবু লাক্লো চান্নবী
নমাজবু শোন্দুনা লৈরিবরা
ঐগী থৱায় ওইরিবী।

# ঐগী মঙ খোঙচৎ

## (মঙবু পামজনা অমদি হৈনা শীজিন্নরিবা ৱারীমচা ইবা অমা)



| | | |
|---|---|---|
| লাইরিক | : | ঐগী মঙ খোঙচৎ |
| মখল | : | ৱারীমচা |
| অইবা | : | কেশো সিংহ ইরেংবা |
| ফোঙবা | : | ২০১৯ |
| অফোঙবা | : | মাইবম ঈটিন মৈতৈ |
| মমল | : | ৩৬০/- |



ৱারীমচাসু ৱারীনি। ৱারীবু E.M. Forster না মতম পরেং ওইনা থোকপা থৌদোক্তু পাউদম্বনি হায়রি। অদুবু ৱারীমচাদি time-squence খক্লা য়াদ্রি। প্লোট য়াওবা ৱারী ওইগদবনি হায়রি। অদুনা মানা প্লোট য়াওবা ৱারীবু অসুম্না হায়, "The time-sequence is preserved, but the sense of causality overshadows it" অদুবু মাগী ৱাফমসি চম্মল্লি হায়রি হৌজিক্তি। অদুনা হৌজিক্তি প্লোটপু অসুম্না হায়নরে, "Plot is a structure of actions aiming at emotional and artistic effect." হায়বদি Causality খক য়াওহনবনা য়ারক্তে, প্লোট শেম্বদা emotional and artistic effect য়াওহনগদবনি হায়রে। অদুনদি ৱারীমচা ইবদা খরা কূপথদবা য়ারক্তে। Character শেম্বা হৈতবা য়াদ্রে। Plot কা character গা থাদোক্নবা য়াদ্রে। অদুনা Henry James না অসুম্না হায়রে, "What is character but the determination of incident ? What is incident but the illustration of character?" চুমখ্রবা ৱানি হায়নিংই। incident অমা শেম্বদা হেক্তা কেরেক্টর ওইরম্মী, কেরেক্টর অমা শেম্বদনা ইন্সিদেন্ট হেক্তা ওইরম্মী হায়রিবনি। পূন্নমকসি য়েংলুরগদি ঐখোয়না খঙলে, প্লোট য়াওদবা ৱারীদি, তেনগে তেল্লু, শাংগে শাংঙু, ৱারীমচা কৌবা শুকয়া য়ারমদ্রে। চুন্নগী ৱারী অমা ওইনা তাদুনা লৈহৌবা তারে।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরল্লিবা অসি ঙসি মঙ ঙাক্তনা ৱারীমচা ১৭৬ শেমগৎতুনা লাইরিক ওল্লকপসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলনি। Anthology সু নত্তবা অইবা অমখক্লা অসুক য়াম্বা ৱারীমচানা লাইরিক অমা ওইনা পুথোল্লকপদি ঐখোয়গীদি মসিনা অহানবা ওইরে। ফনা কুইনা চঙগদবা মাল্লি, মসিদগী হেনবা অমা ঙাইবদি। অইবা অসি কনাসু নত্তে, অৱাং মায়কৈ ঙাক্লিবা অইবা অমনি। কেশো সিংহ ইরেংবানি। লাইরিক্কী অফ-ফত্তা হায়বদুনা অমা ওইখ্রগা পাদবা ঙমদবা লাইরিক অমদি ওইরে। ৱারীমচা লোইনমক মতীং অমমমদি য়াওরি। প্লোট ফজবসু য়াওই, ফজদবসু য়াওই। পূন্নমক মঙ ওইহনবা অসিদি তৌগে য়াওনা তৌবা, মঙগে য়াওনা মঙবা মানবসু অদুম য়াওরক্তবা নত্তে। অদুবু অইবনা ‘ঐগী মঙগী খোঙচৎ’ থোনবা অসিদি ওন্থোক্লা চুম্না থোল্লম্লে। মঙ ঙাক্তনা ৱারীমচা শেম্বা ঙম্বা থিরকপদা ওজা কেশো ফাখিদৌবা মাল্লে। ওজাসিগী তৌবা ঙম্বা মঙলনি।

ৱারীমচা ১৭৬ অসিদা ওন্থোক্লা সর্প্রাইজ ওইবা হেক তাবদা চুশিন্নবা, প্লোট ফজবা খরা য়াওরি। খরদুগী মরক্তা পনবা য়াবসি অহানবা ‘পোকমিন্নবা নচল নত্তে’ হায়বা অসিনি। হেক্তা ফজখ্রে মসিমদি। পাখঙ অমনা নুপী অমা চেল্লকপনি নুংশিনদুনা। অদুবু অপোকপা মপানা মচাদুগী মমান্নবা অমদা নুপীদু লৌবা য়াদে হায়না হায়হনখি। মরম থিনরুবদদি মপাদুনা পাখঙ ওইরিঙৈদা মরী লৈনখিবী নুপী অমগী মচানুপী ওইরল্লে নুপীদু। চুন্নগী মরী লৈনখিবদবু নৎলমদ্রে। মপা অসিগী মচামক ওইরল্লে। নুপীদুনা নাউপুদুনা পুখিবা। মচল লৌবদি য়াদবনিনা পাখঙমচাদু ৱাখল খনফম খঙদ্রে। তূম্বা চাবা নীংখিদ্রে, ফোংনা খন্নবা য়াবা ৱাফমসু ওইখিদ্রে। অদুনা লুহোংবদু কায়বদা তারে। মচাগী অৱাবদু উবদা মমানা য়েংবা নুংঙাইত্রদুনা মচা পাখঙদুদা ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা হেক হংলুরে। মদুদা মচাদুনসু হায়দোক্তবা য়াদবনিনা মপাগী অমোৎপা মরী অদু মমাদুদা খঙহল্লে। অদুবু মমানা য়াম্না লায়না অরানবরা অচুম্বরা ৱাফমদু ৱায়েলখি। অইবগী হৈ-শিংবদু উবা ফংলকখি। মমানা হায়রে মচানুপাদুদা, মাসু মপাসিগী মচা নত্তে, লোন্না নাউপুরগা মমানা পুরকপনি হায়না খুমখ্রে। অদুনা অশেংবা নচল থোক্তে, পুরকউ ইমানা য়াই হায়বীরে। মদু তাবদা মচানুপাদু শাউফম থোকপদু হরাওবা ওনখ্রে। মানা পামজবা নুপীদু লৌবা ফংজখ্রে। অঙকপা প্লোট অমা শীজিন্নরকপসি অইবগী মঙলনি। অনৌবা থিমনি। হেক্তা ফজহনবা মওংনি। ফজৈ হায়নীংই। অদুবু মঙ ওইদুনা তোকখিবা অসিমদি নুংঙাইতে।

ওজা কেশোনা লৌখৎলিবা থিম পূম্বা ফোঙ ফোঙ শাবা থৌদোক ৱাথোক ঙাক্তনি। Thematic treatments ফজরি। ৱাহৈ ৱাতা অয়াম্বা Colloqual ওইরি। অদুগী মথক্তা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱারী লীবা হৈবা Story telling effect ফজনা পীবা ঙম্বা অইবনি। অইবা অসিগী অতোপ্পা মতিক অমনা মশাগী পুন্সিগী থৌদোক কয়াবু মশানা ফিক্সন ওন্থোক্তুনা ৱারীমচা ওল্লকপা অসিসু অমনি। অদুদা নত্তনা ফাগি পুবা ৱাহৈনা অপাবশিংবু নুংঙাইহনবা অসিমসু পাদবা ঙমদে।

অতোপ্পা অইবগী ফজবা ৱারীমচা অমনা ‘খূজিন্না শিক্লুবগী খূবাক চাবা’ হায়বা অসিনি। মসিমসু প্লোট ফজখ্রে। মতৈ-মনাও বস অচিনবা অমদা থবক চৎপনি। ফম্ফম ফংহৌদদুনা লেপ্পদা তাখি। লেপ্লিদুসু চিনবদা লেঙবফাও য়ানদ্রবনি। নুপাদুগী তুংদনা মাগী নুপী লেপ্লি। মমাঙদনা হেক থংননা মশক ফজ খ্রবী, তৌ ঙম্বী মানবী নুপী অমা লেপ্লি। অদুবু খরা চৎলগদি মাঙগী নুপীদুনা শৎ ওনশিল্লক্লগা নুপাদুগী মখজাইদা খূবাক্লা থারকপগী ৱানি। নুপাদু মীঙমদবা ওইবনা করিগীনো হংজবা ঙমদ্রে। নুপীদুনা হায়রিবনা মঙোন্দা খূজিন্না শিক্লকই অসিনি। ফল্লিবা ময়াম্নসু শিক্তা শিক্লমদৌবোই নীংদুনা নুপাদুদা য়েংনদুনা লৈখ্রে। নুপাদুনা ঐ শিক্তে হায়রদুফাও ময়াম্না থাজখিদ্রে। নুপীদুনা চুম্বা মানখ্রে। নুপাদুদি ইকায়বনা শিনীংবা য়ৌখ্রে। মাগী নুপীগী মমাঙদা। অদুবু কূমথরকান্দদি হায়দ য়াদবনিনা মানা মাগী নুপীদা শাউদনবা থেমখি। তশেংনা মানা খূজিন শীক্তে হায়না শেংদোকচখি। অইবনা ফজনা প্লোট শেমখিবনা হেক্তা ফল নুংঙাইহল্লি। মাগী নুপীদুনা তপ্না খুল্লকখি - “কৈসু শাউদেদা, খূজিন্দু ঐনা শিকপনি, নুপীদু নুংশিমন্দদনা।” হেক্তা ফজখ্রে, surprise good ending হায়বদুমক থোকখি।

অসুম্না ওজা কেশোগী থিম পূম্বা নুপা-নুপীগী মরীদা শাগৎলকপনা অয়াম্বনি। নুপা নুপী মরীদগী খিক্তং থৈদোল্লগা শেম্বা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। মসিমসু ফজদে হায়বা ঙমদে। “তৌবীমল কাউদবা” হায়বা অসিদা মীনুংশিদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী অমা শেমগৎলকখি। লাইরিক্তি ফবা, লায়রবনা মশানা পৈশা তাল্লগা তম্নবা হোৎনজবা নহা অমগী লমচৎতা শেম্বা ৱারীনি। নহাদুনা জোর্নেল য়োন্দুনা শেল তানবদা নোংমদি খুঙ্গং অমদা য়োনবা চৎলুবদা চাক লাম্মনখ্রদুনা য়ূম অমদা চঙলুবনি। মদুদা হনুবী অমা মতোমতা লৈজবা ওইরম্বনা মানা চাগদবা চাক্তু নহা অদুদা পীজরকখিবগী মীনুংশি অমা উৎলকখিবনি। মদু খক কাউখিদে, নহা অদুনা। মতম কুইনা লৈরবগী তুংদা হনুবীদু নাদুনা লন্নাই লায়েংশঙদা পুখৎলকখিবনি। লায়েংশেল চাউনা তাখি। ডাক্তরশিংনা কন্না হোৎনবীবদগী নাবসু ফংগৎলকখি। লায়েংশেল পীবা ঙমদ্রদুনা করম্লো খন্নরিঙৈদা অইবনা ফজনা লোইশিনখি। ডাক্তর অমনা অচঙবা শেল লোইনা পীখ্রগা য়ূমদা হনখিনবা চেবাউ পীরবদা লোইশিল্লি। ডাক্তর অদু কনাসু ওইরমদ্রে, হনুবীদুনা চাক পীজখিবা নহাদু ওইরল্লে। মরম হেক্তা চাহল্লি। হেক্তা নুংঙাইহল্লি অইবনা। ফজদে করম হায়রুনি।

মসিদগী হেন্না ফজবা ৱারীমচা অমসু লৈরি। মীওইবগী তোররিংবা মচৎ উৎপা ৱারীমচানি। ‘অশি লৈবাক্তা চৎপা’ কৌবনি। ৱারীসিদা শিখ্রবা নুপা অমনা যমগী দুট অদুগা চান্নরুবদগী অশি থোঙ পান্নবা য়াওরুবা ৱারীনি। দুট অদুনা ঙাইহাক নুপাদুদা শিন্নরল্লগা চথোকখ্রিঙৈদা নুপাদুগী তাইবঙদা লৈহৌবা নুপীদুসু মাগী নুপা শিখিবা নুমিত্তুদা বসনা থেংদুনা শিরক্লবনা থোঙ অদুদা য়ৌরকখিবনি। অদুবু নুপাদুনা দুট অদুনা শিন্নরম্বা ৱাহৈ অমা বনান চুল্লগা স্বর্গ কাবা, লাল্লগনা নরক তাহনবা হায়বা ৱাফমদু মাগী নুপীদুদা অচুম্বা ৱায়েল তৌখিদবগী ফজরবা মীওইবগী মচৎ উৎপা ৱারীমচানি। বনান লাল্লবদুবু নুপাদুনা মাগী নুপী অদু স্বর্গদা ইনখৎখি। হেক্তা ফজহল্লি। তৌদ তৌরমদৌবা মালহল্লি।

মসিদগী হেন্না ফজবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। অঙাং অহল খায়দে, মীনুংশি হায়বসি মীওইবগী থমোয়গী মরলনি হায়বদু উৎলিবা ৱারীমচানি। ‘খোঙউপ ফংবা’ হায়রিবা অসি। লায়রখ্রবা কুলি মচা অমনা খোঙউপ উপ্পা ফংজদ্রবদা, মমান্নবা কয়ানা ফজ-ফজনা শেৎ-চারগা রেলগাড়ীদা কাখৎনবদু য়েংদুনা লৈবনি। অদুবু নোংমদি ইনাকখুনবা মচা মমান্নবা অমনা ফজখ্রবা খোঙউপ তোংদুনা রেল কাখৎপদা অমা মরী কোল্লমদুনা তাহৌরে। অদুগী মথক্তা রেল অদুসু চৎপা হৌখ্রে। কুলি মচা অদুনা মমান্নবা অদুগী মতেং পাংনীংদুনা চেনশিন্দুনা খোঙউপ নাম্মদু খুল্লগা পীগে খন্না রেল মতুং ইন্না খোঙউপ্পু পুরগা চেনবনি। অদুবু রেল অদু সুম য়াঙবা হেল্লকপনা তান্নবদি ফংদ্রে। ইনাকখুনবা মচাদু কুলি মচা অদুনা উৎলিবা মীনুংশি অদু লেম্না মাঙহল্লমদে। অইবনা ফজনা লোইশিল্লি। মীনুংশিদি মীনুংশিনা লোকপা নত্তনা করিনা লোক্কনি। অদুনা ইনাকখুনবা মচাদুনা খোঙউপ নাম্মা পুরুদুনা করি কান্ননি মতাগুম মরুপ নঙ তোংবীহৌরো হায়না মাগী নাম্মদু লৌথোল্লগা লংথরম্মী। কুলি মচা অদুনা অনীমক ফংহৌরে। ফজখ্রবা ৱারীমচানি, ফজনা শেম্বা মরম্না পারিখৈ পেনবা নাইদে।

ওজা কেশো মমিৎ থৌবা অইবনি। তাইবঙদা হেক থোল্লিবা থৌদোক পূম্বা লৌশিন্নবা হোৎনরি। সাইন্সকী মতমনি। মীরোনবা ফাওবা শীংলিদা মীরোনবনি, অঙাংখাউদা মীরোনবা নত্তে হায়বা ঙল্লবা মতমনি। অইবনা মদুগী মতাংদা ৱারীমচা শেল্লকই। অঙ্গংবী কৌবী লাইরিক লাইশু হৈরবী মৌ নহা অমনা য়াঙলেন শরূ ওইরগা শেম্বা ৱারীমচানি। লুহোংলকপা ফনা কুইরক্লবসু মমিৎতা মচা উবা ফংজদ্রি। অদুনা মনেমদু মাবু লুনা তৌরম্বদগী পেন্দবা মিৎয়েং য়েংবা হৌরকখি। অদুবু চহী ১০ মুক্কী মতুংদা নাউপুবা ঙমজখি। অদুসু অইবনা কলম মচিন থেন্দুনা ঈ হাথহল্লি। অদুবু ঈ কাপ্নবা থিবদা দ্রগ চাবা মৌপ্বাশিং অমদগী খঙদনা লৌদুনা ঈ কাপখি। মপুরোইবনা মমাগী চক্রিদগী মশু অমতং পাম্বদগী অতোম্বী অমা থিবদা তাখি। অতোনবীদুনা মচা মথঙ মথঙ পোক্তুনা পানখি। অঙ্গংবীনা ঈ লান্না লৌরুবদগী এইদসনা নারক্তুনা শিখি। অঙাং নুপা অমা য়োক্লম্বদুসু লংথোক্লমখি। অইবনা অসুম্নসু থোকপা য়াই হায়বদু উৎপনি। খূৎশেমদা মুক হাখিবনি। অৱাবদা অৱাবা হাপ্পনি। পাবা লোইবদা শ্বর চাউদৌবা ৱারীমচানি। অদুবু অইবনা মদু থোক্তনবা মঙ ওলহনখি। মঙ ওনখিবদা ফজবা হায়বা তারবদি ৱারীমচাসি ওইগনি। তাইবঙ ওইহন্নীংদে।

ওজা কেশো মোরেলিষ্টনি। নুপা নুপীগী মরীসিবু গঙ্গা ঈচেলগুম শেংনা থম্নিংবা মীশকনি হায়বসি ৱারীমচা ‘ৱাকিং চৎপদা লাই ওক্লবা’ হায়বা ৱারীমচাসিদা খঙলকই। নুপানা নুপী লোনবা কন্না য়াজনীংদবা অইবনি। অদুনা নুপীদা ঙাওবা, অনী লোনবা ইঞ্জিনিয়ার অমগী লমচৎ শেল্লকই। নুপী অতোনবীদা ঙাওদুনা লৈখিবদা নুপী অহল অদুসু নুপা লোনবা পাল্লকখি। নুপানা নুপী লোনবা য়ারবদি নুপীসু নুপা লোল্লকপা তাবনি হায়বসি অইবগী অকনবা মত অমনি। অদুনা ইঞ্জিনিয়ার অদুনা অতোনবীগীদা চৎনবা লাঙলকপদা নুপী অহল অদুসু মফি শেৎকৎলকপগী ৱাদুনি। মাগী নুপানা হংবদসু করিমতা কিদনা খুমখি - “ও নহাক্লা নুপী অনী লোল্লগা পালি নাইবা অদুম্না ঐসু নিপা অতোনবগীদা লেকপা চৎলুবা তারি।” মসিদি অচৌবা খোঙথাংনি। অইবনা ঈচং থৌনা নুপীশিংগীদমক শেম্বা ৱারীমচানি। অদুনা থায়নগী মল্লবা চৎনবীসি শেমদোকপা ফৈ উৎলিবা ৱারীমচানি ফজখ্রে হায়নীংই। অদুবু মঙ ওইদুনা ৱাহং অমগুম লোইশিনখি।

ৱারীমচা অমদনা কৈসুদি নত্তবা, অদুবু নোক্কদবা ৱারীমচা অমসু অইবনা ঐখোয়বু পাহল্লি। অতৈ নত্তে, “পাখঙদা মচা থিনজিল্লক্লবদি ফজরনি’ হায়বা ৱারীমচা অসিনা পাউখোং ওইবা য়াবা ৱারীমচানি। নুপা ওইবগী মথোঙ হুক্তবা মচৎপু করেম্নবনি। লংফৈদা পাখঙ শাদুনা মতূ-মচা লৈরবা নুপা অমনা লৈশাবী অমা কোয়বনি। কোয়বদা নত্তনা অরোনবা মরী ফাওবা থম্নরবা মওংনি। অদুবু পাখঙ শারুবা মহাক্লা মমিংদু লৈকায়গী মমান্নবা অমগী মমিং হায়জিল্লম্বনি। অদুবু লংফৈদগী হল্লক্লুবা মতুং অশোমদদি লৈশাবীদু লৈশানা মচা অমা ফংজখি। লাইবক থীবনা অঙাং উনবদা মমাদু শিখি। শিরমদাইদা অঙাংদুগী মপাগী মমিং মথা মমাদুনা তাক্লমখি। অদুনা পুলিসনা অঙাংদু লৈকায়গী মিং পীরল্লিবা নুপাদুদা থিনজিল্লকপগী ৱানি। লৈকায়গী পাখঙ অদু করি ওইবা হৌনৈ। চঙশি শিবা তাবনি। অদুবু মানা চিংনবা মাগী মরুপ্তুদা তকখৎলরবদদি নুপাদু চেনবা য়াদ্রদুনা মরুপ অনীদু মবুক পায়বখৈ নোকমিন্নখি। পাখঙনা মচাদু য়োকপদা তাখি।

মসিদগী হেন্না নোক্কদবা ৱারীমচা অমসু ওজা কেশোনা শেল্লি। “মহাদেব খুবাক চাবা’ হায়বা অসিনি। ওইবসু য়াবা ৱানি। গঙ্গা থকপা পামজবা মহাদেবনা মনাই অনীনা চীংখাদা গঙ্গা কন্না চিংবদু উবদা অঙাং ওন্দুনা থকপা চঙলকপগী ৱানি। অঙাং ওল্লিবা মহাদেবনা গঙ্গা অমুক্তা চিংগে হায়রুবদা অহল অনী অদুনা কদায়দগী অঙাংনো, ফত্তে চৎলো হায়না তান্থোকলকপনি। অদুবু মহাদেবনা ওনবা অঙাংদু মনম কন্দুনা গঙ্গা চিংনিংবনা ঙাওখিদুনা চৎলু য়াদ্রবদা খূবাক চাবগী ৱারীনি। লাইট ভেইন্দা ইবা ৱারীমচানি।

য়ামখ্রে, ওজা কেশোনা ৱারীমচা ১৭৬ অসিদা শেল্লিবা থিম, থৌদোক ৱাথোক। অদুবু লোইনমক্কী পাউদম্বদি য়ারোইদৌরে। অদুবু লোইশিল্লকপা অসিদা পল্লমদবা ঙমদবদি ‘মঙ’ বু ৱারীমচাদা শীজিন্নবগী ৱাফম অদুনি। ৱারীমচা অমা ফজহন্নবা হোৎনবদা পাম্বৈ কয়া থিনরকই। খরনা নীংশিংবা ওইনা ইনৈ, খরনা চিঠি ওইনা ইনৈ, খরনা ৱারী ৱাতাই শাবা ওইনা ইনৈ। খরনা ‘মঙ’ হায়বসি শীজিন্নৈ। অইবদুগী পামজবনি, চানগদবা য়েংনবনি। অদুবু পূন্নমক অসিদগী ‘মঙ’ শীজিন্নবনা খ্বাইদগী লুই হায়রি। মঙনি হেক খঙখিবদা পানীংলোইদৌরিবনি। অদুগা মঙ ওইরম্বগী চানবা সিচুএসন হান্না শেম্বা তঙাইফদবা লৈ। ৱারী অমবু হেক্তা মঙনি হায়রগা য়াগদবা ওইদ্রি। অদুবু ওজা কেশোনদি ৱারী ১৭৬ মক মঙনি হায়রি। অদুবু পারুবদদি মঙ ওইদ্রসু য়াবা ফজখ্রবা ৱারীমচা কয়ামা য়াওরি। মঙ ওইদুনা তোক্লেদকো হায়গদবা কয়ানি য়াওরিবা। অইবনা পামজবনি, ঐখোয়না করি হায়রুনি। পূন্নমক ওইদুনসু হন্দক্কী লাইরিক অসিমদি ওজা কেশোবু মশক তাকহৌরদৌবা অমদি ওইরে। মখা চখুহন্নীংবা লৈরি।■

*- সলাম তোম্বা*

# রাগ দরবারী-৪৬

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা…)

প্রিন্সিপাল সাহব খন্নাবু ঙাইদুনা লৈরে। অসোমদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু হিষ্টোরিক ওইনবগীদমক ক্লার্ক সাহব লাক্তুনা মাঙ্গোলদা লেপ্তুনা লৈখ্রে। থোংগী মনিং থংবা শরুক অমসুং থোংনাউগী মখাদা ড্রিল মাষ্টর মখোং অনী লাপথোক্লরগা লেপ্পা-লেপ্পা মপান থোকপগী মহুৎতা বিড়ি থকই। প্রিন্সিপাল সাহব অমসু খন্নাগী ৱারী-ৱাতাই শাবা অদু মীয়ামদা য়ৌদ্রিঙৈ মমাংদা নুংশিৎতা তিনখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা অমত্তা লৈত্রে।

নুমিদাং অমদা রঙ্গনাথ অমসুং বদ্রি মথক থংবা কাদা তুমদুনা লৈ অমসুং তুমদ্রিঙৈ মমাংদা অখন্নবা ৱারী কয়া শাবা হৌরকস। রঙ্গনাথনা মহাক্কী ৱাফম লোয়শিল্লক্তুনা হায়,“প্রিন্সিপাল অমদি খন্নাগী মরক্তা করি-করি ৱারী শানখিবনো খঙবা ঙমদ্রে। ড্রিল মাষ্টর মপান্দা লেপ্তুনা লৈখিবনি। খন্না মাষ্টরনা খোঞ্জেল হৌনা হায়খি, অদোমগী মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু অসিরা!” শুপ্নগী ৱাফম অদুখক তাবা ঙমহৌই।

বদ্রিনা হাকাম চল্লদুনা হায়,“প্রিন্সিপালনা মচিন শোয়দনা থীরমগনি। মদুগী পাউখুম ওইনা মহাক্লা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাফম অদু হায়বা ওইরমগনি। খন্না অদুগুম্বা মওংদা ৱা ঙাঙবনি। মদু অঙাউবনি।”

রঙ্গনাথনা হায়,“মচিন থীবগী পাউখুমদি খোংউপনা পীগদবনি।”

বদ্রিনা ৱাফম অদুগী মতাংদা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদ্রে। রঙ্গনাথনা অমুক হন্না হায়,“ঐনা খঙবা ঙল্লে মদুদি মফম অসিদা মীওইবগী মীনুংশিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা কান্নদবনি।”

বদ্রিনা তুম্নবগীদমক অতোপ্পা নাকল অমদা ওন্থোকখিরম্মী। ‘গুদ নাইট’ হায়নিংবগী মওংদা হায়,“ৱাফম অদু অচুম্বনি। অদুবু মফম অসিদা ক-খ-গ-ঘ তমখ্রবদি উর্দু ময়াদগী পায়থোক্লরকপনি। ৱাঙাঙ খুদিংদা মীওইবগী মীনুংশি-মীওইবগী মীনুংশি পংপনদা পন্নবনি! থম্মোয়দা কলেজাদি য়াওদ্রবসু মীওইবগী মীনুংশিগী মতাংদা পঙাংদা ঙাংনবনি।”

ৱাফম অদুম অচুম্বনি। শিবপালগঞ্জদা হন্তক মরক অসি মীওইবগী মীনুংশিগী মতাংদা য়াম্না ঙাংন শক্লরি। নহাশিং নুমীদাংৱাইরমগী মমশিল্লক্লবা মতমদা জুৱা শান্নে। অকাবনা কানৈ, মায়থিবশিংনা হায়নৈ,‘মদুরা নংগী মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু? মায় হেক পাকপগা নখোয় নয়ুং ফাওবা চিৎলি। অদুগা চৎখিনবগী লম্বী থিন্নে।’

করি-করিগুম্বা মতমদা মায়পাক্লবা মীওইশিং অদুনসু মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাফম শীজিন্নদুনা ৱা ঙাঙনৈ। মখোয়না হায়নৈ,‘মসিরা নখোয়গী মীওইবগী মীনুংশি হায়বদো। অমা-অনীরকখক পোবদা ৱাররা? ঐখোয়দি নুমীৎ মরিনি-মঙানিগী মতুংদা অমুকখক মায়পাকপা অসিদা ঐখোয়বু মপান থোকপা থিংজিনবিগে হায়রিবরা?’

য়ু শুংফমদা থবক শুবা মীশিংনা মখোয়গী মকোক অদু ওইরোমদগী য়েৎতা, য়েৎতগী ওইরোমদা হায়দুনা লৈ। কুমজা ১৯৬২দা চাইনানা ইন্দিয়াদা লৌনমবিখিবা অদুনা থম্মোয় শোকখিবগুম মখোয়সু থম্মোয় য়াম্না শোকপগী মওংদা মখোয়না হায়,‘বুধুৱানা ফজরবা চেককী য়ূম শাখ্রে। ফেক্টরিদা থবক তৌরিবশিংগী মনুংদা মহাক্কী ইকাইখুম্নরিবনি। ঐনা হায়বনি,য়ুমদা মী লাকই। য়ূ লৈনবা লুপা অনী পুথোরকউ হায়না অদুবু মহাক্লা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে। মথুন ওন্থোক্লগা চৎখি। অদোমসু হায়বিয়ু মদুবু করম্বা মীওইবগী থম্মোয়নো?’

হায়বদি মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাহৈশিং নেতাশিংনা অৱাংবা ফজবা ৱাখল্লোগী মওংদা শীজিন্নবগুম শিবপালগঞ্জদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা য়াম্না হৈ শিংনা শীজিন্নৈ। মসিনা অতোপ্পা মখল অমগী ৱাফমনি মদুদি শাফবা বদ্রিনা কল্লেগী অশোনবশিংগী মরমদা লোয়না খঙই। পাউজেল অদু পীরদুনা অমদি মদুবু চৎননবা রঙ্গনাথতা হায়রদুনা হৌদোক্লম্লগা মহাক তুমথখ্রে।

রঙ্গনাথ ফৈজুপ শুপচিন্দুনা য়ুমথক্কী মায়কৈরোমদা য়েংলগা হিপ্তুনা লৈ। থোং হাংদুনা লৈ, মপান্দা থাবলগী মঙান্না পাক শন্না শন্দোক্তুনা লৈরম্মী। ঙাইহাক মহাক্লা সোফিয়া লোরেন অমসুং ইলিজাবেথকী মরমদা খন্দুনা লৈ, অদুবু মীকুপ খরগী মতুংদা ৱাখল অদু লমচৎ ফত্তবগী ৱাখলনি খল্লদুনা মহাক্কী সিটিদা লৈহৌবা ফী শুবগী মচানুপী অদুগী মতাংদা ৱাখল খল্লম্মী। নোংমা মফম অদুদা অশুবা ফী লৌবা চৎলবুদা নুপী অদু থেংনখিবনি। ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা ৱাখল অদুসু অরানবা ৱাখলনি খল্লদুনা অতোপ্পা ফিল্ম এক্ট্রেসশিংগী মরমদা ৱাখল খনবা হৌরকই। হন্দক্কী মতাং অসিদদি লৈবাক্কী অমসুং মরমদম নুংশিবগী মিংদা লিজ টেলরনচিংবা কাউথোক্লদুনা ৱহিদা রহমন অমসুং সাইরা বানুগী মতেং লৌখ্রে। মিনট অনী-অহুমগী মতুংদা মহাক্কী ওইবা ফীরেপ অমদা য়ৌরকখ্রে মদুদি ৱাফম খুদিংদা অতোপ্পা মপান লৈবাকশিংদগী তম্বা-খোৎপা অচুম্বা থবক নত্তে। করিগুম্বা মুননা ৱাখল খন্থরগদি মরমদম নুংশিবগী তোঙানবা মহাউ অমা লৈজে। ইখঙ খঙহৌদনা তুমনিংবা ফাওরকই অদুবু সাইরা বানুগী ফিগর নিংশিংলুরগা অৱাবা অমা ওইখ্রে। অদুবু ঙাইহাক লৈরবা তুংদা কৈ খরা অমসুং শাওম ৱারী অদুদা চোংথোক্তুনা থোক্লকখে। মহাক্লা সেরা বানুবু মকোক পাইরদুনা চিংদুনা চৎপা পাম্মি, অদুবু খুৎতগী নান্থোকখ্রে অমসু মতম অদুদা কৈ অমদি শাওমসু মপান্দা চেনখ্রে। মতম অদুদা কোক্তা অমুক খন্না মাষ্টরগী মাংজবা অমদি মাংজদবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খনবা হৌরকই। মদুনা মীওইবগী মীনুংশি হায়বগী ৱাহৈশিং অমুক মায়কৈ খুদিং য়ৌখ্রে। মফম অদুদা মীওইবগী মীনুংশি! মীওইবগী মীনুংশি হায়বা ৱাহৈনা পূমনিল নিলখ্রে।

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা